ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক

SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

www.sanaleibak.in

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে




মাল্লুং কৈথেলদা পাঙথোকপা মৈরা পায়বী ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন কংলৈপাক (মেপৱাক) লিংখৎখিবা চহী ২৫ মপুং ফারকপগী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপগী শক্তম অমা



ষ্টার্ট অপ থৌশিলগী খুদোংচাবা ফঙহন্নবা লৈঙাক্তা চে থারকপশিংগী অনীশুবা রাউন্দগী ইন্টরভিয়ুদা চে থারক্লিবশিং অদুনা পায়খৎকে নীংলিবা থবকশিং অদুগী মরমদা তাকপশিং সি এমনা তাবা



ৱাহেংবম লৈকাইদা লৈবা রাজ্য সভাগী এম পি, কে ভবানন্দগী য়ুমদা থোমজিল্লকপা মহৈরোইশিং তানখায়নবা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস শীজিন্নরকপদা ৱাম্বুরকপা মহৈরোই অমা লায়কন্ননবা পুবগী শক্তম অমা


Volume No: 43 Issue: 58 | IMPHAL FRIDAY 25 JANUARY, 2019 | ইরাই, ৱাকচিংগী ২০ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## শাশিন্নবা ইন্সুরেন্সনা ওটো রিক্সোশিং চল্লাইনরে

### ওটো রিক্সো অয়াম্বা অমুখক চহী ১খক্কী ইন্সুরেন্স য়াওরম্লগা মখা চত্থরকখিদ্রেঃ কম্পেনি

মাইবম কেনেদী

ইম্ফাল, জনুৱারী ২৪ (এস এন এস)ঃ লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক্তা গাড়ী মপু,পেসেঞ্জরশিং অমসুং গারী অদুনা থেং জিল্লুবদা অৱাবা নংলবা য়াবা মীওইশিং দা শেলগী তেংবাঙ ফঙহনগদবা গাড়ীগী ইন্সুরেন্স শুংশোই শোয়দনা য়াওদবা য়াদে হায়বা অরেপ্পা য়াথং লৈজরগসু ইম্ফাল সিটি মনুংদা চেল্লিবা দিজল ওটো রিক্সো অয়াম্বা শাশিন্নবা ইন্সুরেন্সকী চে ওইনা পায়রগা গাড়ী চল্লাইনরে।

থাজবা য়াবা পাউ অমনা হায়,হন দক্তা গাড়ী এক্সিদেন্টকী থৌদোক অমদা ওটো রিক্সো অদু ইন্সুরেন্স য়াওই হায়বগী চে ফঙখি। অদুবু ইন্সুরেন্সকী চে অদু শীজিন্নদুনা অৱাবা নংলবশিংদা শেলগী মতেং ফঙহন্নবা ৱাফম ফোঙদোক্লুবদা ওটো রিক্সো দ্রাইভর অদুনা য়াখিদে। মহাক্কী ওটো রিক্সোদা য়াওরিবা ইন্সুরেন্সকী চে অদু শাশিন্নবনি,ইন্সুরেন্স য়াওদে পুলিস,ট্রাফিক পুসিল নৎত্রগা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী ইনফোর্সমেন্ট ৱিংগী কাঙবুনা ফাদনবা নমথাক্কী ওইবা ইন্সুরেন্সকী চে অদু হাপ্পনি হায়খি।

চেল্লিবা ইঞ্জিন পানবা গাড়ী খুদিংমক ইন্সুরেন্স য়াওদবা য়াদে হায়বগী মোটোর ভেহিকলগী এক্তা ময়েক শেংনা পল্লি। ইন্সুরেন্স য়াওদবা গাড়ী অমা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা ফাজিনবা য়াই অমসুং মীওই অদুগী মথক্তা য়াম্না চাওবা শেনফম অমা ফাইন ওইনা লৌবা য়াই। করিগুম্বা মতমদা গাড়ী থৌরিবা মীওই নৎত্রগা গাড়ী মপু অদুসু কৈশুমশঙ য়ৌবা য়াই।

নেসনেল ইন্সুরেন্স কম্পেনী লিমিটেদ ,ইম্ফাল দিভিজনগী মচিন চৎপা মীশক অমনা পাউ–চে অসিদা হায়, মরুওইনা লম্বীদা চেল্লিবা পেসেঞ্জর পুবা ওটো রিক্সোশিং অসি লৈবা মতমদা চহী অমখক্কী ইন্সুরেন্স কোভর তৌবা পোলিসি অদু য়াওরম্লবা মতুংদগী অমুক হন্না ইন্সুরেন্স য়াওবা লাক্লদে। থাঙে শেংনমক্কীদি মোটোর ভেহিক এক্ট,১৯৮৮গী মতুং ইন্না ইঞ্জিন পানবা গাড়ী খুদিংমক ইন্সুরেন্স য়াওগদবনি। ওটো রিক্সোশিংগীদমক ইন্সুরেন্স মখল অনী লৈ। মখল অনী অদুদি–লাইয়েব্লিটি পোলিসি অমসুং পেকেজ পোলিসিনি। লাইয়েব্লিটি পোলিসিনা কোভর তৌরিবসি পেসেঞ্জরশিং অমসুং মীয়াম্নি অদুগা পেকেজ পোলিসিনা গাড়ী অদু য়াওনা পেসেঞ্জর অমসুং মীয়াম কোভর তৌই।

দিজল ওটো রিক্সো অয়াম্বা ইন্সুরেন্স য়াওদে হায়বা মখোয় খঙই। অদুবু মখোয়না গাড়ীশিং অদু চেক তৌদুনা ইন্সুরেন্স য়াওব্রা নৎত্রগা শাশিন্নবা পায়ব্রা হায়বদু য়েংননবগী ওঠোরিটি ওইদে। মখোয়না অৱাবা তারক্লবা মতমদতা ইন্সুরেন্স য়াওবগী কান্নবা অদু খঙলক্কনি। মদুগীদমক এক্ট অমা ওইনা য়াওজরবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লাইয়েব্লিটি পোলিসি নৎত্রগা থার্দ পার্টি পোলিসি হায়না খঙনবা ইন্সুরেন্স অসি চহী অমগী ওইনা লুপা ৭৫১৪ থিগদবনি। অদুগা পেকেজ পোলিসিগী ওইনদি চহী ১দা লুপা লিশিং ১৩ থিগদবনি। মখোয়না খুদোংথীবা থোক্লকপা মতমদা লৈখিদ্রবা মীগী ত্রিব্যুনেলনা পীয়ু হায়না তারকপা শেনফম খুদিংমক ইন্সুরেন্স কম্পেনিনা পীগনি। গাড়ী অদুসু ইন্সুরেন্সনা অনৌবা অমা লৈগনি। ত্রিব্যুনেলদা লাকপা মতমদা গাড়ী লোইরিবা মীওই নৎত্রগা থৌরিবা দ্রাইভর অদুগী কোক শানিংঙাই ওইদে। দ্রাইভর অদুসু ইন্সুরেন্সনা কোভর তৌই। *মখা লমায় ৩দা...*



## ফয়ার সার্ভিস,হোম গার্ড অমসুং সিভিল দিফেন্সকী এৱার্ডশিং লাউথোকপদা মণিপুর নিল চৎলে

ইম্ফাল, জনুৱারী ২৪ (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিগী রিপব্লিক দেগী থৌরমগী মাঙওইননা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা ফয়ার সার্ভিস,হোম গার্ডস অমসুং সিভিল দিফেন্সকী পার্সোনেলশিংদা প্রসিদেন্ট পুলিস মেডল পীননবা মমিং–মথা লাউথোরকপদা মণিপুরগীদি নিল চৎলে।

প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো(পি আই বি) না ঙসি থোকখিবা চেরোল অমদা ফয়ার সার্ভিসকী মেডলগীদমক পার্সোনেল ৮৬কী মমিং পল্লকখি। প্রসিদেন্টস ফয়ার সার্ভিস ফোর গেলেন্টরিগীনা পার্সোনেল ১৫গী মমিং পল্লকখি। ফয়ার সার্ভিস মেডল ফোর গলেন্টরি পীননবা পার্সোনেল ১৪গী মমিং লাউথোরকখি। অতোপ্পা পার্সোনেল তরেৎ অমনা ফয়ার সার্ভিস মেডল ফোর দিষ্টিংগুইস সার্ভিস অমসুং অতোপ্পা পার্সোনেল ৫০না ফয়ার সার্ভিস মেডল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিসকীদমক খনগৎলকখি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না পার্সোনেল ৮৬ খনগৎপসিদা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা পার্সোনেল অমত্তগী মমিং পল্লকখিদে।এৱার্ডশিং অসিগীদমক মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী পার্সোনেল অমফাওবা য়াওরক্ত্রিবসিগী তোঙান–তোঙানবা মরম লৈরম্বদি য়াই। অদুবু মেরিটোরিয়সন সার্ভিস্তদি পার্সোনেল অমফাওবদি য়াওরম্বা য়াবনি। য়াওরক্ত্রিবসিনা তাক্লিবদি ফয়ার সার্ভিসকী পার্সোনেলশিংনা থবক নীংথিনা তৌদবগী ওইরিব্রা,চে–চাং ইখৎপদা শোয়বদগীরা নৎত্রগা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী পার্সোনেলশিংনা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা অসিদগী হেন্না অতোপ্পা ষ্টেটকী ফয়ার মেনশিংনা হেনখিব্রা হাংনরক্লি। হোম গার্ড অমসুং সিভিল দিফেন্সকী মেডলগীদমক্তা পার্সোনেল ৫৮গী মমিং লাউথোরকখি। প্রসিদেন্টস হোম গার্ড এন্দ সিভিল দিফেন্স মেডল ফোর দিষ্টিংগুইস *মখা লমায় ৩দা...*

## ফেসবুকতা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন হাৎকনি কিহল্লুবা মীওই পুলিসনা ফারে

ইম্ফাল, জনুৱারী ২৪ (এস এন এস)ঃ মঙাল সনাবাম হায়না মিংথোনবা ফেসবুক একাউন্ট অমদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনবু হাৎকনি হায়না কিহল্লকপদা নত্তনা অকাম্পেৎশিং শীজিন্নদুনা চৈ থাংলকখিবা মীওই অনী পুলিসনা ফারগা কোর্টতা পুথোরকখ্রে।

লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্না কোর্টতা পুথোক্কুনা মখা তানা ৱাহং–পাউহং চত্থনবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রবা মীওই অনী অদুদি সনাবাম সনাজ াওবা মঙাং (২৯) অপোকপগী মিং দভলজিৎ মঙাং কৌই। মহাক উরিপোক কব্রাবম লৈকাই রিমস গেট ময়াদগীনি। মহাক্না অকাম্পেৎ শীজিন্দুনা সি এমদা চৈরকপা অমসুং হাৎকনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা সোসিয়েল মেডিয়াদা থাগৎলকখিবদু থা অসিগী ২১দনি। কেস অসিগী আই ওনা এ এ পিগী খুত্থাংদা চীফ জ্যুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা মখা তানা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা থারকখিবা চেরোল অদুদা হায়, পুলিসনা ফারবা সনাবাম সনাজাওবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা মহাক্কী মশাগী ওইবা মোবাইল ফোন লৈতে। মরম অদুনা মমান্নবা অমগী ইমুং–মনুংগী মীওই অমগী মোবাইল ফোন শীজিন্নরগা ফেসবুক্তা থাগৎখিবনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মহাক্না শীজিন্নখিবা মোবাইল ফোন অদু থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকাইদগী হৌজিক্না লম্ফেল সুপর মার্কেটতা লৈবা লাইশ্রম হিটলর (৩১) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল বলাল কৌবা অমগীনি হায়বা খঙলে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, সনাবাম সনাজাওবা কোর্টনা নুমিৎ মঙানিগী পুলিস কষ্টদিগী রিমান্দ পীথখ্রে। সনাবাম সনাজাওববু থা অসিগী ২০দা লাইশ্রম হিটলর (৩১) অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা লাইশ্রম হেন্নরি (২৭)না ফুখি হায়বগীদমক লম্ফেল পুলিসনা লৌখৎলকপা কেস অমগা মরী লৈননা মচিন–মনাও অনীসু জ্যুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবীনবা কোর্টতা হায়জরকখি। অদুবু দিফেন্স কাউন্সিলনা য়েৎপদগী মনাও নুপা হেন্নরি বেলদা থাদোকখি। অদুগা মহাক্কী ময়াম্বা লাইশ্রম হিটলরনা পি আর বোন্দ পীবা ঙমদবদগী জ ্যুদিসিয়েল কষ্টদিদা থাজিনখি। মরক অসিদা চীফ মিনিষ্টরদা কিহনবগা মরী লৈননা হিটলর কোর্টকী য়াথং লৌরবা তুংদা পুলিসনা অমুক ফাজিনখ্রে।

## এম পি ভবানন্দগী য়ুমদা মহৈরোইশিংনা থোমজিনখ্রে

### মীয়ামগী অনীংবা–অপাম্বগী মায়োক্তা কৈদৌঙৈদসু লৈরোইঃ কে ভবানন্দ

ইম্ফাল, জনুৱারী ২৪ (এস এন এস)ঃ লোক সভাদা হন্দক্তা পাস তৌখ্রবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ গী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিং গী ফিরেপ লাওথোকউ হায়দুনা এমসু, দেসাম, এম এস এফ, কে এস এ, সুক অমসুং এ আই এম এসগী লমজিং মখাদা মশীং য়ান্নবা মহৈরোইশিংনা রাজ্যা সভাগী এম পি ক্ষেত্রিময়ুম ভবানন্দগী য়ুমদা থোমজিনবদা পুলিসকা মুক্লখ্রে, তানখায়নবা হোৎনবদা টিয়ার গ্যাস অমদি স্মোক বোম কাপ্পদা মহৈরোই ৫ রোম অশোক অপন নংবদগী লায়কন্নখ্রে।

লমদমসিগী মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা লৈরোই হায়না মহৈরোইশিং থোমজিল্লকখিবা অদুগা মরী লৈননা এম পি ভাবানন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ রোম তাবা মতমদগী ইখঙ খঙহৌদনা মশিং য়ান্নবা মহৈরোইশিংনা পুনশিল্লক্লগা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্টগী রাজ্যা সভাদা পাস তৌবা য়ারোই, বিল অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী ফিরেপ লাওথোকউ, দাউন দাউন বি জে পি হায়বা খোল্লাল কয়া লাওদুনা রাজ্যা সভাগী এম পি ক্ষেত্রিময়ুম ভবানন্দগী কৈশাম্পাটতা লৈবা য়ুমদা থোমজিল্লকখি। অদুবু ভবানন্দগী *মখা লমায় ৩দা...*





## ষ্টার্ট অপ মণিপুরগী ২শুবা রাউন্দগী ইন্টর্ভিয়ু পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ২৪ (এস এন এস)ঃ লৈঙাক্না পায়খৎলিবা ষ্টার্ট অপকী খুদোংচাবা ফংনবা লৈঙাক্তা এপ্লিকেসন থারকপা মীওইশিংগী অনিশুবা রাউন্দগী ইন্টর্ভিয়ু ঙসি চীফ মিনিষ্টর য়াওনা পাঙথোকখ্রে। ইন্টরর্ভিয়ু অদুদা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর কে শ্যামশু শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী দরবার হোলদা পাঙথোকপা ইন্টর্ভিয়ু অদুদা এপ্লিকান্টশিংগী মায়কৈদগী মখোয় মখোয়না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং উৎপা পৱার পোইন্ট প্রজে ন্টেসনশিং উৎখি।

ষ্টার্ট অপ মণিপুরগী অনিশুবা রাউন্দ অসিদা ওনলাইন্দদা পুন্না এপ্লিকেসন লিশিং ৪ রোম লাকখি। চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেসবাবুনা লুচিংবা অৱাংবা থাক্কী সেলেক্সন কম্মিতি অমনা এপ্লিকান্টশিং অদুবু সোর্টলিষ্ট তৌরবা মতুংদা মখোয়গী প্রোজেক্ট প্রপোজেলশিং অদু ফেব্রুৱারি ১১ ফাওবা য়াম্না মনুং মপান ফাওনা উবা মওংদা য়েংশিনগনি হায়রি।

পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ু অদুদা এপ্লিকান্টশিংদা মিনিট ৩গী মতম পীদুনা মখোয়গী পান্দম, ৱাখল্লোন, লৈফম, তঙাইফদবা *মখা লমায় ৩দা...*

## ‘এক্ট ওন্দ্রিঙৈদা সিটিজেন ওনবগী অয়াবা পীরম্লে’

ইম্ফাল, জনুৱারী ২৪ (এস এন এস)ঃ ৱাথোক ওইরিবা সিটিজেনিশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি লোক সভাদা হৌখিবা চহী ইং ২০১৬ কী জুলাই ১৫দা পুথোক্তুনা সিতিজেন এক্ট, ১৯৫৫ না অয়াবা আফগানিষ্টান, পাকিষ্টান অমসুং বাংলাদেশতা লৈরিবা মাইনরিতিশিংবু ইন্দিয়ান সিটিজেন ওনবদা অয়াবা পীরমদবা অদু পীহন্নবা এক্ট অসি শেমদোক্লবা পুথোকপা ওইরবসু বিল অসি এক্ট ওইনা ওন্দ্রঙৈদা সিটি জেনশিপ রুলস, ২০০৯ দা প্রোভিজন অমা হাপচিল্লগা হান্না সিটিজেন ওনবা য়ানবা থবক লৌখলম্লে হায়না হান্নগী লো সেক্রেটরী লাইশোম ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।





ঙসি কৈশামথোং লাইশোম লৈরক্তা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, বিল অসিগী ষ্টেটমেন্ট ওফ ওবজেক্ট এন্দ রিজন্দনা পাকিষ্টান, আফগানিষ্টান, বঙ্গলাদেশতগী লাকপা মাইনরিতি ফুরুপ অমা ওইরিবা হিন্দুশিং, সিখ, বুদ্ধিষ্ট, জৈন, পার্সিশিং অমসুং খৃষ্টানশিং অসি দি সিতিজেনসিপ এক্ট, ১৯৫৫ না ইন্দিয়াগী সিতিজেন ওনবদা অয়াবা পীরমদবা অদু য়াহন্নবা বিল অসি পুথোকপনি।

অদুবু বিল অসি পুথোকখ্রবা মতুং দা হৌখিবা চহী ইং ২০১৬কী দিসেম্বর ২৩ দা সিতিজেনশিপ রুলস, ২০০৯ গী রুল নম্বর ১১ শুবদা প্রোভাজিও অমা হাপচিন্দুনা এমেন্দ তৌথোকখ্রে।

এক্ট অসিদা হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদগী লাকপা মাইনরিতি ওইরবা ফুরুপশিং অসি সিতিজেন ওন্নবা থানবা এক্টতা ৱাফম *মখা লমায় ৩দা...*

## অঙাংশিং স্কুলদা মিং চনবদা স্কৃনিং তৌবা আর টি ই থুগায়বনি ঃ কম্মিসন

ইম্ফাল, জনুৱারী ২৪ (এস এন এস)ঃ ক্লাস নর্সরিদগী আইট ফাওবগী মনুংদা মহে তম্লিবা মহৈরোইশিং গী মীং চনবদা স্কৃনিং তৌবগী থবক চত্থরিবা অসি তৌফম থোক্তে, স্কুল খরনা মসিগুম্বা থৌরাং চত্থরিবা অসি রাইট ওফ চিলদ্রেন টু ফ্রি এন্দ কম্পলসরি এদুকেসন এক্ট ২০০৯ গী ৱাংমদনি হায়না মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিসন অসিগী সেক্রেটরি বন্টি সিংহ কোম্ৰৌজমনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, স্কুল খরনা ক্লাস নর্সরিদগী ক্লাস আইট ফাওবগী মনুংদা মহে তম্নবা মীং চনবদা স্কৃনিং তৌবগী থবকশিং চত্থবগী ৱাফম কম্মিসন্দা পুখৎলকপা লৈরে।

মসিমক স্কুল খুদিংমক্না ইলিমেন্টরি ক্লাসশিংদা মীং চনবদা স্কৃনিং শুংতৌ তৌরোইদৌবনি হায়বা রাইট ওফ চিলদ্রেন টি ফ্রি এন্দ কম্পলসরি এদুকেসন এক্ট, ২০০৯গী সেক্সন ১৩(২)(বি) অসি থুগায়বনি হায়রি।

মমাংদা কম্মিসন অসিনা ইং ২০১৪গী সেপ্তেম্বর ২২দা থোকখিবা ওর্দর অমনসু ষ্টেট অসিদা লৈরিবা স্কুল খুদিংমক্না *মখা লমায় ৩দা...*

## ইমপ্লোয়িশিং থবক লেপখিবদগী লৈঙাক্তা চৈথেং ফঙলে

ইম্ফাল, জনুৱারী ২৪ (এস এন এস)ঃ ঙরাংদগী চত্থরকখিবা মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সর্ভিস এসোসিয়েসনগী মতম কক্তবা থবক লেপ্পগী খোঙজংনা সেক্রেটরিয়েটকী থবক থৌরমশিংদা চাউনা অপনবা থোকহনখ্রে।

হৌখিবা ইং ২০১৮গী জুন ৮ দা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সর্ভিস এসোসিয়েসন, মণিপুর গর্ভর্ণমেন্ট সর্ভিসেস ফেদ্দরেসন অমসুং মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংগী মরক্তা ৭ শুবা পে চৎনহনবগা মরী লৈননা য়ান্নবা লৈরবসু ঙসি ফাওবা ওর্দর থোরক্তবা অমসুং ইমপ্লোয়িশিংগী পীথোকফম থোকপা দি এগী শেনফম লৈঙাক্না পীথোক্তনা থম্ববু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তকশিল্লদুনা ঙরাংদগী থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি।



খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা মিনিষ্টরশিং অমসুং ওফিসারশিং সেক্রেটরিয়েটতা লাক্লবসু মখোয় মখোয়গী মখা থাবা ষ্টাফশিং থবক শুদবনা মরম ওইরগা ওফিসতগী হন্নবা য়াওখি।

সেক্রেটরিয়েটকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংদা ষ্টাফশিং অমত্তা ফমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা সেক্রেটরিয়েট অসিদা ভিজিটরশিং লাক্লখিদে।

চঙশিল্লিবা খোঙজং অদুগী মতাং দা মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সর্ভিস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট রামরৈ সিংলাইনা হায়, এম এস এস এগী খোঙজং অসি হৌখিবা জনুৱারি ১০ দা চীফ মিনিষ্টরদা অরোইবা অল্টিমেটম অমা পীশিল্লবা মতুংদা চং শিনবা হৌরকখিবনি।

অহানবা ওইনা হৌখিবা জনুৱারি ১৬ অমসুং ১৭ ত *মখা লমায় ৩দা...*

### ৱাখলগী চিঙ্গাক

ঐখোয়দা অফবা নৎত্রগা ফত্তবা পূন্সি পীদে,ঐখোয়দা পীবদি পূন্সিনি। মসিবু ফহনবা নৎত্রগা ফহন্দবা ঐখোয়দা লৈ।

DELHI : RUPEES 33,160.00 /-
KOLKATA: RUPEES 33,050.00 /-
BENGALURU: RUPEES 33,135.00 /-

### অঈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৩.৬° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ৪.৪° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০০
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং– ৬.০৪
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৪.৫৫

### পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৭ .৫২
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬২.০৯


SUNDAY SPL. (9 am TO 5 pm)
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 7800
MSV72CL = ₹ 8999
7.5 KG = ₹ 9600
8KG = ₹ 10300
7KG GODREJ = ₹ 11000
8.5KG GODREJ = ₹ 13200
REFRIGERATOR
180 LT INTEX = ₹ 9999
185 L GODREJ 13400 = ₹ 11000
190 LT 3 STAR Godz = ₹ 12800
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
58" LED SMART = ₹ 37500
55" SMART LED 4K = ₹ 48000
43" LED FULL HD = ₹ 24000
32" LED (TV) = ₹ 12500
24" LED (TV) = ₹ 9300
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
SAMSUNG লুহোং–মচল
WATER PURIFIER EUREKA FORBES FREE
SAMSUNG 40" LED, SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT., 7.2/6.5 KG WASHER ₹ 52,999/-
SAMSUNG 32" LED, SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT. ₹ 40,999/-
SAMSUNG 6.5 KG OR INTEX 7.5 KG WASHER FREE ₹ 4999
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL.
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.


গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

### লোইরেদনা

অদুক য়াম্বা ক্রোসিনদুদি করিদা শীজিন্নদোইনোনে!



সার ময়াম হন্দক্তি কোক খরা চিক্লদৌরি!

### হেক্তা হায়জিনবা

স্মার্ট সিটি

য়েংউ স্মার্ট সিটি সে
ঐখোয়গী ইমাই ওইবসে
য়েংবগী পেনবা নাইদবা
ওম্বোক্লা স্মার্ট ওইখ্রবা
য়েংউ স্মার্ট সিটি সে
ফুট পাঠতা হোটেল ফম্বনি
লম্বীদা কৈথেল ফম্বনি
গলি খুদিং য়ু য়োনবনি
পোৎকী মমল দুকান্দারনা লেপ্পনি
থানানা ফুরিৎখাও টেক্স খোম্বনি
য়েংউ স্মার্ট সিটিসে
লম্বীদা ৱাই শিংলগা
গলিদা অমোৎপা পৈবনি
ইচুম্না ঈশিং থুম্বনি
ইরম নালানা লৈতবনি
য়েংউ স্মার্ট সিটি সে
ঐখোয়গী ইমাই ওইবসে
ওম্বোক্লা স্মার্ট ওইখ্রবা

